# সাইবেরিয়াগী সোপ্পিং মোল মৈ চাকপদা মীওই ৬৪ শিখ্রে, অতোপ্পা কয়ামরুম থিবা খঙখিদ্রে



মোস্কো, মার্চ ২৬ (এজেন্সি):
মী চিনবা রসিয়াগী সোপ্পিং সেন্টর অমদা থোকখিবা মৈ চাকপগী থৌদোক অমদা মীওই ৬৪ শিরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

সাইবেরিয়াগী কেমরোবো সিটিদা লৈবা ৱিন্টর চেরি সোপ্পিং সেন্টরদা থোকখিবা থৌদোক অদুদা লৈখিদ্রবশিংগী মনুংদা অঙাং ৪১ লোম য়াওরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুংদা হৌজিকসু মীওই কয়ামরুম থিবা খঙদনা লৈরি।

সোভিয়েট য়ুনিয়ন মচেৎ তাখ্রবা মতুংদা খ্বাইদগী তমথীবা মওংদা রসিয়াদা থোকপা মৈ চাকপগী থৌদোক অদুদা সিনেমা হোল অমা অমসুং অঙাংশিংগী শান্নফম অমা য়াওনা সোপ্পিং কমপ্লেক্স সেন্টর অমা মপূং ফানা অমাঙ-অতা থোক্লে হায়না ইটার টাস ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখি।

ইখঙ-খঙহৌদনা মৈ চাকখৎলকখ্রবা মতুংদা মীপাইরবা মীওই কয়া থোংনাওদগী চোংথোরকপগী ভিদিও ফুটেজ টেলিভিজন চেনেলশিংদা ময়েক শেংনা উৎলকখি। উহৌবশিংগী ৱারোল পল্লদুনা রসিয়ন মীদিয়াগী রিপোর্টনা হায়খি মদুদি ফায়র সেফটি সিষ্টেম ফেল ওইবদগী পাক-শন্না মৈ চাকখৎলকখিবা অদুদগী মশা ঙাকথোকচনবগীদমক মীওই কয়া মায়কৈ খঙদনা চেন্নখি।

মীওই অমনা থোঙ থুগায়রগা চেন্থোরক্লবা হোৎনবগী থৌওং রসিয়ন টেলিভিজনদা উৎলকখি। মৈ চাকখৎলকপনা মরম ওইরগা ইলেক্ট্রিসিটি ফংখিদবদগী এস্কালেটর অমসুং লীপসু মথৌ লেপখিরন্মী।

কনফেক্সনরি ফেক্টরি অমা ওইরম্বদগী কুমজা ২০১৩ দা সোপ্পিং সেন্টর ওন্থোকখিবা মফম অদুদা অঙাংশিংগী শান্নফম অমসুং জু অমা লৈবা মরম্না নুমিৎ খূদিংগী মশিং য়াল্লবা মীওই কয়া মফম অদুদা লাক্লখি।

সোপ্পিং সেন্টর মনুংদা সিনেমা হোল অনীসু লৈ। অহানবা ফংবা রিপোর্ট মতুং ইন্না সিনেমা হোল অমদগী মৈ চাকপা হৌগৎলকখিবনি হায়রি। সিনেমা হোল অনীগী য়ূমথক নিংখায়রকপদগী মীওই কয়ামরুম অতেক-অকায়না ননশিনখিবা মরম্না অশিবগী মশিং হেনগৎলকপা য়াই হায়না থাজনরি।

রেস্ক্যু ৱার্করশিংনা মীওই ১২০ লোম কনবা ঙমখ্রবসু অমাঙ-অতা থোক্লবা সোপ্পিং কমপ্লেক্সতা অশিবা হকচাং কয়ামরুম লৈরমখিবা য়াই হায়না রসিয়ন ইমর্জেন্সি সর্ভিসেস মিনিষ্ট্রিগী ওফিসল অলেকজেন্দর এরিমেয়েবনা ফোঙদোকখি। মহাক্না হায়খি, মৈ চাকখৎলকখিবা মতমদা মীওই কয়া কমপ্লেক্স মনুংদা লৈখিবগে হায়বা চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি।

থৌদোক অদুগী পাউ হেক ফংবগা ফায়রফাইটর অমসুং রেস্ক্যু ৱার্কর ৩০০ লোম থৌদোক থোকফমদা থুংলখিবগা লোয়ননা পুং ১৭ চঙনা মৈ মুথৎখি। ৱিন্টর চেরি সোপ্পিং সেন্টরদা থোকখিবা মৈ চাকপগী থৌদোক অসিনা রসিয়াদা খ্বাইদগী তমথীবা মৈ চাকপগী থৌদোক ওইরে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০১৩ গী এপ্রিলদা মোস্কোগী সাইকিয়াট্রিক হোস্পিটাল অমদা থোকখিবা মৈ চাকপগী থৌদোক্তা মীওই ৩৮ শিখ্রবনি। থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুং থা খরা লৈরগা চহী অদুমক্কী সেপ্টেম্বরদা অৱাং নোংচুপ থংবা রসিয়াগী লুকা ভিলেজদা থোকখিবা মৈ চাকপগী থৌদোক্তা মীওই ৩৭ শিখি।

# ইন্দোনেসিয়াদা মেগনিচ্যুদ ৬.৪ গী চাংদা কন্না য়ুহা হাখ্রে



জকার্টা, মার্চ ২৬ (এজেন্সি):
নোংপোক থংবা ইন্দোনেসিয়াদা ঙসি অয়ুক রিক্টর স্কেলদা মেগনিচ্যুদ ৬.৪ গী চাংদা কন্না য়ুহা হাবগী থৌদোক থোকখ্রে। থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা সুনামি থোরকপা য়াই হায়না চেকশিন-থৌরাং লৌখৎনবা খঙহনখি। অদুবু ঙাইহাক লৈরগা সুনামিগী মীপাইনিংঙাই ওইদ্রে হায়না সিসমিক মোনিটরিং ওর্গনাইজেসন শিংনা লাউথোকখি।

য়ু এস জিওলোজিকেল সর্ভেনা হায়খি, বন্দা সীদা কিলোমিটর ১৭১ লুথবা মফমদা য়ুহা হাবগী থৌদোক অদু থোকখিবনি। থৌদোক অদু থোকখ্রবা মতুংদা ইন্দিয়ন ওসিন সুনামি ৱার্নিং এন্দ মিটিগেসন সিষ্টেম (আই ও টি দব্লিয়ু এম এস) না সুনামি থোরকপা য়াই হায়না মীয়ামদা মীকুপ-নাহুম শিংনা লৈনবা খঙহনখি।

ঙাইহাক লৈরগা ইন্দিয়ন ওসিন মনাক নক্লা লৈবা লৈবাকশিংদা সুনামি থোরক্কনি হায়বগী মীপাইনিংঙাই ওইদ্রে হায়না আই ও টি দব্লিয়ু এম এসনা অমুক চেরোল অমা থাদোক্তুনা খঙহনখি।

ইন্দোনেসিয়াগী টানিম্বার আই-লেন্দদগী অৱাং নোংচুপতা কিলোমিটর ২২২ অমসুং মালুকু প্রোভিন্সকী কোনুং অম্বোনদগী কিলোমিটর ৩৮০ লাপ্পা লৈবা মফম অমদা থৌদোক অদুগী ইপিসেন্টর ওইখি।

ফেব্রুৱারি ২৬ তসু ঙসিগী ইপি-সেন্টর ওইখিবা মফম অদুগা মনাক নক্লা মেগনিচ্যুদ ৬.১ গী চাংদা কনবা য়ুহা হাবগী থৌদোক অমা থোকখি। অদুবু থোইদোকপা অমাঙ-অতা য়াওখিদে। পেসিফিক রিং ওফ ফায়র হায়না খঙনবা সিসমিক এক্টিভিটি জোনদা লৈবা মরম্না ইন্দোনেসিয়াদা য়ুহা হাবগী থৌদোক তোয়না থোকই।

কুমজা ২০০৪ দা মেগনিচ্যুদ ৯.৩ য়ৌনা কনবা য়ুহা হাবগী থৌদোক অমা সুমাত্রা আইলেন্দদা থোকখিবদা মীওই ২,২০,০০০ শিহনখিবনি। কুমজা ২০১৬ কী ডিসেম্বর ১৩ দসু নোংচুপ থংবা ইন্দোনেসিয়াদা য়ুহা হাবগী থৌদোক অমা থোকখিবদা মীওই ১০০ রোম শিখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই ৮৪,০০০ ময়ূম-মকৈ লৈহনখিদ্রবনি।

রিক্টর স্কেলদা ৬.৫ য়ৌনা কনবা য়ুহা হাখিবগী থৌদোক অদুনা ইন্দোনেসিয়াগী এসি প্রোভিন্সতা পাক-শন্না অমাঙ-অতা থোকহনখি। য়ূম, লল্লোন-ইতিক তৌফম অমসুং মোস্ক কয়া নিংখায়খিবগা লোয়ননা থৌদোক অদুদা অশোক-অপন নংলবা মীওইশিং লায়েংনবা হোৎনবদা হোস্পিটালশিংনা অৱাবা মায়োক্লখি।

ইন্দোনেসিয়াগী প্রসিদেন্ট জোকো ৱিদোদোনা অমাঙ-অতা থোক্লবা মফমশিংদা চৎতুনা ফিভম য়েংশিনখিবগা লোয়ননা অথুবা মতমদা নৌনা অমুক শেমগৎ শাগৎপগী থৌরাং পায়খৎলগনি হায়না ফোঙদোকখি।

কুমজা ২০০৪ দদি য়ুহা হাখ্রবা মতুংদা সুনামি থোরকপদগী ইন্দিয়ন ওসিন মনাক নক্লা লৈবা লৈবাক কয়ামরুমদা পাক-শন্না অমাঙ-অতা থোকহনখি। ইন্দোনেসিয়া খক্তদা মীওই ১,৭০,০০০ হেন্না শিহনখি। সুমাত্রা আইলেন্দগী অৱাং ইথং থংবা শরুক্তা লৈবা এসি প্রোভিন্সতনা খ্বাইদগী য়াম্না মীশি-মীনা থোকখি।

# পাকিস্থান : পর্ভেজ মুশারফতা সিক্যুরিটি পীবগী ৱাফম লৈতে

*ইস্লামাবাদ, মার্চ ২৬ (এজেন্সি) : হান্নগী ডিক্টেটর পর্ভেজ মুশারফনা ট্রায়েল মায়োক্লন-বগীদমক পাকিস্থানদা হল্লকপা মতমদা সিক্যুরিটি পীবগী ৱাফম লৈরোই হায়না ইস্লামাবাদ গভর্নমেন্টনা ফোঙদোকখ্রে।*

*মিনিষ্ট্রি ওফ ডিফেন্সনা দুবাইদা লৈরিবা হান্নগী প্রসিদেন্টতা চেরোল অমা থাদুনা সিক্যুরিটি পীবা ঙম্লোই হায়বা ৱাফম অসি ময়েক শেংনা খঙহনখিবনি। মুশারফকী উকিল অখতার সাহদা থাখিবা চেরোল অমদা ডিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা হায়খি মদুদি হান্নগী ডিক্টেটর মুশারফতা সিক্যুরিটি পীবা হায়বসি মিনিষ্ট্রি ওফ ডিফেন্সকী থৌদাং নত্তে।*

*মমাঙ চহীদা মশা লায়েংলুনবগীদমক পাকিস্থান থাদোকপা য়াহনখিবা মশাগী চহী ৭৪ শুরবা মুশারফনা দুবাইদা লৈরকখিবনি। কুমজা ২০০৭ তা ইমর্জেন্সি লাউথোক্তুনা সুপ্রীম কোর্টকী জজ কয়ামরুম ফাজিনখিবগা লোয়ননা জজ ১০০ রোম হেন্না মফম লৌথোকখিবগী মতাংদা হান্নগী ডিক্টেটর অসিগী মথক্তা ট্রিজনগী চার্জ তৌরি।*

*ট্রিজন অমসুং বেনাজির ভুটো মীহাৎকী কেসকা মরী লৈননা মুশারফপু মীচেন ওইরে হায়না লাউথোকপা লৈখ্রবনি। পাকিস্থানগী পুৱারীদা আর্মিগী জেনরেল অমনা ট্রিজনগী চার্জদা ট্রায়েল মায়োক্লবা মুশারফনা অহানবনি। করিগুম্বা কেস অসিদা মরাল লৈরম্বা থোক্লবদি মহাকপু পুন্সি চুপ্পা জেলদা থম্বা নৎত্রগনা শিবগী চৈরাক ফাওবা পীবা য়াই। মার্চ ১৩ দা মুশারফকী মায়কৈদগী পীশিল্লকখিবা চেরোল অমদা হান্নগী প্রসিদেন্ট অসিনা পাকিস্থানদা হল্লকপা মতমদা সিক্যুরিটি মতিক চানা পীগদবনি হায়না ময়েক শেংনা পল্লকখি।*

*মার্চ ১৬ তা মুশারফকী কেস হিয়রিং চথুরিবা স্পেসল কোর্টনা হান্নগী ডিক্টেটর অসিদা পীরম্বা পাসপোর্ট লৌশিনবগা লোয়ননা নেসনল আইদেন্টিটি কার্দসু লৌশিনগদবনি হায়না য়াথং পীখি। ইন্টরপোলগী মতেং লৌরগা মুশারফ ফানবগী মতাংদসু খঙহনবা লৈখ্রে।*

*মার্চ ২১ দা মুশারফনা দুবাইদা মরুওইবা মীফম অমা পাঙথোক্তুনা তুংদা লৌখৎলক্কদবা থৌরাংশিংগী মতাংদা কুপ্না খন্নখি। অদুবু মীফম অদু মপূং ফাবা ঙমদনা লোইশিনখি। মশাগী শেন্থোক্কা চান্নদবা মওংদা য়াল্লবা শেনফম অমা পায়রম্বগী মতাংদা ইস্লামাবাদ হায় কোর্টনা মুশারফকী মথক্তা ইনভেষ্টিগেসন চথুনবসু নেসনল একাউন্টেবিলিটি ব্যুরো (এন এ বি) দা খঙহনবা লৈখ্রবনি। পনবা য়াবদি, স্পেসল কোর্ট অমদা ট্রিজনগী চার্জ মায়োক্ল নবগীদমক হান্নগী প্রসিদেন্ট পর্ভেজ মুশারফনা মথং থাদা য়ুনাইটেদ অরাব এমিরেটসতগী পাকিস্থানদা হল্লকপা য়াই হায়না ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।*

# য়ু এসনা পাকিস্থানগী ফার্ম ৭ তা অথিংবা থমখ্রে

ৱাশিংটন, মার্চ ২৬ (এজেন্সি):
ন্যুক্লিয়র প্রোলিফরেসনগী মতাংদা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা পাকিস্থানগী কম্পেনি তরেৎতা অথিংবা থম্লে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে। থৌওং অসিনা ন্যুক্লিয়র সপ্লায়র্স গ্রুপ (এন এস জি) তা য়াওনবা হোৎনরিবা ইস্লামাবাদকী থৌরাং পূন্নমক অরেম্বা তাহনগদৌরি।

ফাইনান্সিয়ল এক্সন টাস্ক ফোর্সনা হৌখিবা জুন থাদা পাকিস্থানবু টেররিজমদা শেল থাদবা লৈবাকশিংগী লিষ্টতা য়াওহনখ্রবা মতুংদা ৱাশিংটননা পাকিস্থানগী কম্পেনি তরেৎকী মথক্তা অথিংবা থম্নবা থৌরাং লৌখৎলকখিবনি। য়ু এসনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অনীমক্না পাকিস্থানদা অচৌবা চৈথেং অমা পীরে।

ইন্দিয়ানা মাঙজৌননা ওষ্ট্রেলিয়া গ্রুপ, মিসাইল টেক্নোলোজি কন্ট্রোল রেজিম অমসুং ৱাসেনার এরেঞ্জমেন্ট কী মেম্বর ওইখিবগা লোয়ননা এন এস জিদা য়াওনবা থৌরাং তৌরিঙৈগী চৈরক্তা য়ু এসনা পাকিস্থানগী কম্পেনি তরেৎতা অথিংবা থমখ্রবনিনা ইস্লামাবাদকী ওইনদি এন এস জিগী মেম্বর ওইবা ঙম্বগী ফিভম লৈত্রে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখি।

অথিংবা থমখ্রবা পাকিস্থানগী কম্পেনি ৭ কী মনুংদা অহুম্না য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী মায়োক্তা লৈবা থৌরাং কয়া লৌখৎতুনা ন্যুক্লিয়রগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিং পায়খৎলি হায়না মরাল শীরি।

মমাঙদা ফাইনান্সিয়ল এক্সন টাস্ক ফোর্সনা পাকিস্থানবু টেররিজমদা শেল থাদবা লৈবাকনি হায়না লাউথোক-খিবগী মতাংদা পাকিস্থানি হোম মিনিষ্টর এহসান ইকবালনা হায়খি মদুদি লৈবাক্কী শেন্মীৎলোনদা অচৌবা চৈথেং অমা পীনবগী পান্দমদা য়ু এসনা থৌরাং অসি অতম্না লৌখৎলকপনি।

মালেমগী লৈবাক পূন্নমক্না টেররিজম লাকশিন্নবা হোৎনবদা য়ু এসকী থৌরাং অসিনা অপনবা পীরগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। টেররিজমদা শেল থাদবগী থৌওং কুপ্না য়েংশিনবগা লোয়ননা মিন লোন্দরিং থিংনবা থৌরাং কয়া লৌখৎলগনি হায়নসু পাকিস্থানগী ইন্টরিয়র মিনিষ্টরনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

# দোনাল্ড ট্রম্পনা রসিয়ন ডিপ্লোমেট খরা তান্থোক্লবা থৌরাং তৌরি

ৱাশিংটন, মার্চ ২৬ (এজেন্সি):
রসিয়াগী স্পাই অমা ইংলেন্দদা পোইজন এটেক চথুখিবগী মতাংদা বৃটেনগী মীচং চঙবা ওইনা প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা লৈরিবা রসিয়ন ডিপ্লোমেট খরা তান্থোক্লবা থৌরাং লৌখৎলকপা য়াই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

নর্ভ এজেন্ট এটেক্কা মরী লৈননা য়ুরোপকী তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংনা লৌখৎলকপা থৌরাংশিং য়েংলগা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনসু চপ মান্নবা থৌরাং লৌখৎকনি হায়না ছোর্স অমনা এজেন্সিদা ফোঙদোকখি।

রসিয়াগী স্পাই ওইরম্বা সর্গি স্ক্রিপাল অমসুং মহাক্কী মচানুপী জুলিয়াদা নর্ভ এজেন্ট এটেক চথুখিবগা মরী লৈননা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী মেম্বর লৈবাক-শিংনা অকনবা থবক লৌখৎনবা ৱাফম লাউথোকপা লৈখ্রবনি।

হ্বাইট হাউসকী স্পোক্সমেন রাজ সাহনা হায়খি, য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনা হীরম অসিগী মতাংদা করি-করম্বা থৌরাং লৌখৎকদগে হায়বদু কুপ্না খন্নরি। রসিয়ানা চথুখিবা মথোং হুক্তবা থৌওং অদুগী মতাংদা ৱাশিংটননা য়ুনাইটেদ কিংদমগীদমক মখা তানা লেপখিগনি।

তোঙান-তোঙানবা লৈবাকশিংদা লৈরিবা রসিয়ন ডিপ্লোমেটশিং তান্থোরকপা য়াবগী ফিভম লাকপদগী রসিয়ন এম্বেসেদর পূন্নমক য়ুরোপিয়ন ফোরেন মিনিষ্ট্রিশিংদা কৌখৎনবা থৌরাং লৌখৎলে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোকখ্রে।

রসিয়াগী স্পাই ওইরম্বা মীওই অমা অমসুং মহাক্কী মচানুপীদা পোইজন এটেক চথুখিবগী মতাংদা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী লূচিংবশিংনা রসিয়াদা চিংনবা ৱাফম ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। নিংথৌকাবা নুমিৎতা লেটবিয়া, লিথ্যুএনিয়া, এষ্টোনিয়া অমসুং পোলেন্দনা রসিয়ন এম্বেসেদরশিং মখোয় মখোয়গী ফোরেন মিনিষ্ট্রিশিংদা লাক্লবা কৌখৎখি। অদুম ওইনমক করি মরমগী ডিপ্লোমেটশিং কৌখৎলিবনো হায়বগী মতাংদা ময়েক শেংবা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোকখিদে।

পোইজনিং এটেক্কা মরী লৈননা রসিয়ন ডিপ্লোমেট পূন্নমক তান্থোক্কদৌরে হায়বা পাউ ফংবদগী মাঙজৌননা ডিপ্লোমেটশিং কৌখৎখিবনি হায়না থাজনরি। ইরাই নুমিৎতা পাঙথোকখিবা য়ুরোপিয়ন য়ুনিয়নগী মীফম অমা লোইরবা মতুংদা য়ুরোপিয়ন কাউন্সিলগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড টস্কনা হায়খি মদুদি লৈবাক খরনা ডিপ্লোমেটশিং তান্থোরকপা য়াবগী ফিভমদা লৈরে। মমাঙ চয়োলদা বৃটেননা রসিয়ন ডিপ্লোমেট ২৩ অরোনবা পাউ লৌরম্মী হায়বগীদমক তান্থোকপা লৈখ্রবনি। রসিয়ানসু লমন খুন্না ওইনা বৃটিশ ডিপ্লোমেট খরা তান্থোকখি।

ওইরক্লিবা ফিভম অসিদা নেসনল সিক্যুরিটি কাউন্সিলনা পীখিবা রেকমেন্দেসন মতুং ইন্না য়ু এস প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনসু রসিয়ন ডিপ্লোমেটশিং তান্থোক্কদ্রা হায়বগী মতাংদা কুপ্না খন্নবা হৌখ্রে। এষ্টোনিয়াগী খোঙচৎ অমদা পাউমীশিংগা উনখিবদা বৃটিশ ডিফেন্স সেক্রেটরি গেবিন ৱিল্লিয়মসননা হায়খি মদুদি তোঙান-তোঙানবা লৈবাক কয়ানা বৃটেনদা শৌগৎলক্লিবা মওং অসি য়েংলুরগা রসিয়ন প্রসিদেন্ট ৱ্লাদিমির পুটিন হীরম খূদিংমক্তা মায়থীরে হায়না লৌবা য়াই।

ইরাই নুমিৎতা ফ্রেঞ্চ প্রসিদেন্ট ইম্মান্যুএল মেক্রোননা হায়খি মদুদি সেলিসবরিদা সোভিয়েট য়ুনিয়ন মতমগী নোবিচোক এজেন্ট শীজিন্ন-খিবগী থৌওং অদু রসিয়ানা য়ুরোপিয়ন লৈবাকশিংগী সোভরেন্টিদা খুৎ থিংজিনবনি হায়না লৌরোইদবগী মরম লৈতে।



**OFFICE OF THE**
**IMPHAL MUNICIPAL CORPORATION**
**ꯈꯪꯍꯟꯕ/NOTICE**
Dated : 5/01/2018

**No.IMC/92/RO/V-T/Advt/2016-17/News Approval** - অসিনা মরম ওইদুনা মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি মদুদি Women Vendor No. (3) New Market/ Shed No. 11 Licence No. 1076 শ্রী/শ্রীমতি Thokchom Ahanbi Devi W/o (L) Th. Tollamu Singh of Sagolband Meino Leirak কী মীংদা পানবা পোৎফম অসি Licence Holder মশানা শ্রী/শ্রীমতি Thokchom Alleena D/o Th. Damudor Singh of Sagolband Meino Leirak তা Licence কী মীং ওনবীরো হায়দুনা দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অদুনা Licence Holder গা মরী লৈনবা মীওইশিংনা অপতি তৌনিংবা লৈরবদি নোটিশ অসিনা ফোঙবা নুমিৎ ১০ (তরা) নিগী মনুংদা অইবা চেনা অপতি তৌরবা য়াগনি। মসিগী মতুংদা লাকপা অপতি লৌরোই অমদি Licence কী মীং ওনখ্রগনি।

*Sd-* **Asstt. Municipal Commissioner**
Imphal Municipal Corporation
*HL-P/861/27*



**ꯈꯪꯍꯟꯕ/খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্নিং হাম্নিং তৌরগা অদুম লৈবা অমদি খোঙ হাম্বা চঙলুরগনা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, খোঙ হাম্বদা কোঙ্গোলগুম্বা লোইনরকপা, খোঙ হাম্বদা শৌজ নান্থবা ফহনবগী ওজা এম ভি অজাদ ফুসমবু মপোকসিমগী কাউঙল্লরোই**



ঐগী হকচাংদা নুংশঙনা য়াম্না কন্না নাদুনা খোঙ হাম্বা চাং নাইদবা, খোঙ হাম্নিং হাম্নিং তৌরগা অদুম লৈবা অমদি খোঙ হাম্বা চঙলুরগনা শেংনা হামদোকপা য়াদবা, খোঙ হাম্বদা কোঙ্গোলগুম্বা লোইনরকপা, খোঙ হাম্বদা শৌজ নান্থবা, করিগুম্বা অরুম্বা পোৎ অমা থাংবদসু শৌজ নান্থবা, নান্থবা শৌজ অদু মশানা হঙ্গৎলু য়াদবা, খুৎনা ইনশিনবা, পুক নুংশিৎ কাবা, খ্বাঙ, লেঙজুম অমদি ঙকশম মরি চিকপা নাবা, তাং চিকপা নাবা, পুক্তা মতুম ওইনা লৈরগা পুক মনুংদা কোইচেন চেল্লগা নাবা, খোঙ খুৎ ইপং পংশিনবা, ইফা ফাজিনবা, শিথবগুম তৌবা, ফিষ্টুলাদা মখুল হুৎলগা নাই চারকপা, য়াম্না চিকপা নাবা, খোঙ হাম্বদা য়াম্না চিকপা নাবা, চানিং থক্লিংবা পোক্তবা, চাকখাউ শোকপা, চাবা তুমদবা, অমাঙথোংদা মরেং মরেং চৎলগা য়াম্না হাক্কৎচবা তৌরম্বা অদু **MV AZAD PHUSAM** ☎ 7628890261, 8014025567 দা চৎতুনা লায়েংজবদগী ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা অনাবশিং অদু মপুংগী থৌজালদগী মপুং ফানা ফরে। মরম অসিনা ওজা এম ভি অজাদ ফুসম্বু থাগৎপা ফোঙদোকচরি।

*ওজাগী লায়েংফমশিংদি :*
1. Hatta, Opp. Oil Pump near Public Hospital, Imphal
2. Bishnupur Bazar Ward No. 9 (Sat, Sun, Monday only open)
3. Yairipok Tulihal Lai Manai Shanta Bazar

*থাগৎচরিবা:* **S. YAIMA**
*Langthabal*
*HL-P/786/27*



**MANIPUR STATE POWER DISTRIBUTION COMPANY LIMITED**
**(Regd. Office : 3rd Floor, New Directorate Building, near 2nd MR Gate Imphal – Dimapur Road, Imphal, Manipur)**
**CIN: U40101MN2013SGC008843**

**জে ঈ আর সী এম এন্দ এমনা ইস্যু তৌবা ০১.০৪.২০১৮ দগী চৎনবা হৌগদবা মণিপুর ষ্টেট পাৱর ডিষ্ট্রিব্যুসন কম্পেনি লিমিটেদ (এম এস পি ডি সী এল) গী শেনবা চহী ২০১৮-১৯ গী টারিফ সেদ্যুলগী সম্মরি**

| সে নং. | কেটিগরি অমসুং কঞ্জ্যুমসন স্লেব | থাগী ফিক্স চার্জশিং (লুপা) | ভেরিএবল চার্জশিং (লুপা/কে দব্লিয়ু ঐচ) |
|---|---|---|---|
| | **এল টি সপ্লাই** | | |
| ১ | কুটির জ্যোতি | | |
| | য়ুনিট খূদিংমক (কে দব্লিয়ু ঐচ ৪৫ ফাওবা/থা ৩) | ২০/কনেক্সন | ১.৭০ |
| ২ | **ডোমেষ্টিক** | | |
| | (i) অহানবা - কে দব্লিয়ু ঐচ ১০০/থা | ৬০/কে দব্লিয়ু | ৩.৬০ |
| | (ii) মথংগী কে দব্লিয়ু ঐচ ১০০/থা | ৬০/কে দব্লিয়ু | ৪.৩৫ |
| | (iii) কে দব্লিয়ু ঐচ ২০০ গী মথক/থা | ৬০/কে দব্লিয়ু | ৫.৬০ |
| ৩ | **নন-ডোমেষ্টিক/কম্মর্সিএল** | | |
| | (i) অহানবা - কে দব্লিয়ু ঐচ ১০০/থা | ৮০/কে দব্লিয়ু | ৫.০০ |
| | (ii) মথংগী কে দব্লিয়ু ঐচ ১০০/থা | ৮০/কে দব্লিয়ু | ৬.০০ |
| | (iii) কে দব্লিয়ু ঐচ ২০০ গী মথক/থা | ৮০/কে দব্লিয়ু | ৭.১০ |
| ৪ | পব্লিক লাইটিং | ৬৫/কে দব্লিয়ু | ৬.৫০ |
| ৫ | পব্লিক ৱাটর ৱার্ক্স | ১০০/কে দব্লিয়ু | ৬.৭০ |
| ৬ | ইরিগেসন অমসুং এগ্রিকলচর | ৬০/কে দব্লিয়ু | ৩.৫০ |
| ৭ | ইন্দষ্ট্রি মচা | ৬৫/কে দব্লিয়ু | ৩.৭৫ |
| | **ঐচ টি সপ্লাই** | | |
| ১ | কম্মর্সিএল | ১০০/কে ভি এ | ৭.০০ |
| ২ | পব্লিক ৱাটর ৱার্ক্স | ১০০/কে ভি এ | ৬.১০ |
| ৩ | ইরিগেসন অমসুং এগ্রিকলচর | ১০০/কে ভি এ | ৩.৩০ |
| ৪ | ময়াই ওইরপকী ইন্দষ্ট্রি | ১০০/কে ভি এ | ৪.৯০ |
| ৫ | অচৌবা ইন্দষ্ট্রি | ১০০/কে ভি এ | ৬.১০ |
| ৬ | অচৌবা সপ্লাই | ১০০/কে ভি এ | ৫.৪০ |

খঙজিনগদবা : মথক্কী টেবল অসিদা ফিক্স অমদি ইনর্জি চার্জশিংতমক উৎলি। **শেনবা চহী ২০১৮-১৯ গী অকুপ্পা টারিফ সেদ্যুলগীদমক www.mspdcl.com দা ভিজিট তৌবীয়ু**

টি ঐচ অতোন সিংহ
ইগজেক্যুটিভ ডিরেক্টর - কম্মর্সিএল এম এস পি ডি সী এল
*HL-B/4548/27-31*



**ADMISSION OPEN**
**ENGLISH COACHING**
*For*
➤ **COMPETITIVE EXAMS (Bank PO, Civil Service etc.)**
➤ **BOARD EXAMS (IX, X, XI & XII)**
*At*
**SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)**
**Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal**
**Contact Nos. ☎ 8974642764**
*HL-B/4545/25/3-25/4*



**NEHRU YUVA KENDRA, IMPHAL EAST**
**(Ministry of Youth Affairs and Sports, Govt. of India)**
**NATIONAL YOUTH CORPS**
**CALL FOR NATIONAL YOUTH VOLUNTEERS**

Government of India seeks young persons to help channelize their energies and capabilities towards nation building activities by organizing them into volunteers group. They shall be asked to spearhead campaigns, awareness programme about health, literacy, sanitation, gender and other social issues and may also be called upon to assist the administration in emergency or implementation of various programmes.

***Eligibilities:*** (1) X pass (Preference will be given to higher qualified candidates, (2) Age: Between 18-29 years (as on 1st April, 2018), (3) Monthly Honorarium: Rs. 5,000/-(fixed), (4) Deployment period: Up to 31st March, 2019, (5) Having Aadhaar Number and Bank Account in a Nationalize bank.

**No regular student is eligible for applying for NYC volunteership.**

This is neither a paid employment nor confers any legal right on the volunteers to claim employment with the Government. Prescribed application form and guidelines are made available with NYK-Imphal East. It may be downloaded from Department website (**www.nyks.org.in**). Last date of submission of completed application form to NYK Imphal East is on or before 31st March, 2018.

*Sd/-* **Kh. Ibohanbi Singh**
District Youth Coordinator
Nehru Yuva Kendra, Imphal East
Near BSNL Tower, Porompat
*HL-P/869/27*